# ২০২৩গী ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখ্রবী মশাগী চহী ৬০ হেল্লবী MICHELLE YEOH CHOO গী পুন্সিগী ৱারী

- নানি



"And I don't fell any fear in a sense, because I have every good intention in my heart. When you face up to bad things in the past, the most important thing is not to allow them to happen today or in the future, and as storytellers, we must play our part in that."

- Michelle Yeoh

Michelle Yeoh Choo, মালেসিয়ন-চাইনিজ এক্ট্রেস অসি পীক্লিঁঙৈ মশাগী চহী ৪ মপুং ফারকপদগী হৌনা জগোয় শাবা অমদি জগোয় তম্বা য়াম্না পামজরকখি। পুঙ্কক চাউরক্লবা কান্দা ballet টিম অমদা য়াওদুনা পর্ফোর্মেন্স পীবা হৌরকখি। লাইরিক-লাইশু হৈবা মমা-মপাগী মীৎয়েং খাদা চাউরকপনা মরম ওইদুনা মহাক লাইরিকসু নীংথিনা তল্লকখি। অদুবু মপানা মহাক্কী পামজবা অদুবুদি খক কাউবা লৈতনা মপুং ফানা সপ্পোর্ট তৌবীরকখি। চাউরক্লবা মতমদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী রোয়েল একাদেমী ওফ দান্স, লন্দনদা মিং চন্দুনা মপুং ফানা তম্বা হৌরকখি। মহাক্কী মপা মমিং লৈবা লোয়র অমনি। মমৈথংদা পোলিটিসিয়ন অমসু ওইখি। অদুবু মহাক্না ballet য়াম্না পামজরবসু মহাক্কী spinal injury অমা লৈখিবদগী প্রোফেসনল দান্সর অমা ওইবা তোকখি অদুবু কোরিওগ্রাফর অমা ওইনা পূক্নিং চঙলকখি। মহাক ক্রিএটিভ আর্টসতা বি এনি অদুগা দ্রামাসু নীংথিনা তল্লকখিবা অদু ১৯৮২ দদি তম্বগী শরুক লোইশিনখি। মহাক্কী অশেংবা ফিরেপ অমগী খোঙথাংদা থাংবা হৌরকখি।

মশাগী চহী ২০ শুরকপা, ১৯৮৩দা ইহান হানবা ওইনা মিস মালেসিয়ন ৱর্ল্ড কন্টেষ্টতা শরুক য়াদুনা মিস তাখি, মদুদগী মালেসিয়নগী মহুৎ শীন্দুনা মিস ৱর্ল্ড ১৯৮৩ লন্দনদা অমুক শরুক য়াখি। মদুগী মতুংদগীদি ইহান হানবা ওইনা মমিং লৈরবা চাইনিজ এক্টর জেকি চানগা টেলিভিজন কম্মর্সিএল প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ামিন্নখিবদগী মহাকপু মীয়াম্না হেন্না খঙনবা হৌরকখি। Michelle Yeoh Choo, Kheng Michelle Khan হায়রগসু তেন্না খঙনবী শক্লাইরবী এক্ট্রেস অসি ১৯৬২গী ওগষ্ট ৬তা মালেসিয়নগী Ipoh, Perak হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মহাক্কী মপা শেল পায়বা মীশক্নি লোয়নননা পোলিটিসিয়ন অমসু ওইখি। মখোয় লন্দনদা মপাগী থবক্কী মতুং ইন্না মহাক মশাগী চহী ১৫ শুরকপদগী লৈরকখি। মফম অদুদা মহাক্কী করিয়রগী ষ্টদি তৌবা হৌরকখি। লন্দনগী রোয়েল একাদেমী ওফ দান্সতা গ্রেজ্যুএসন লোইরকখিবীনি। একাদেমী অদুদা মপুং ওইনা ballet তমখি, অমদি পর্ফোর্মর অমসু ওইরকখি। অদুগা দ্রামাসু নীংথিনা তল্লকখি। Michelle এসিয়া এক্ট্রেস অমনা ইহান হান্না একাদেমী এৱার্দকী বেষ্ট এক্ট্রেস কেটেগোরিদা নোমিনেসন ফংবা মীশক অমা ওইরি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম খরদং পনবা তারবদি- Yes Madam (1985), Police Story 3 (1992), Holy Weapon (1993), James Bond Series Tommorow Never Dies (1997), Ang Leegi Martial Arts Film Crouching Tiger, Hidden Dragon (2000), Memoirs of a Geisha (2005), Reign of Assassins (2010), Kung Fu Panda 2 (2011), Crouching Tiger, Hidden Dragon: Sword of Destiny (2016), The Lady (2011), The Last Christmas (2019) অমদি হন্দক ওস্কার নোমিনেসন ফংলিবা ফিল্ম Everything Everywhere All at Once (2022) হায়রিবশিং অসিখক পনবা য়াই। ফিল্মশিং অসি ইন্টরনেসনলগী মার্কেটতা অমদি ফিল্ম নৈনবা সার্কলশিংদা য়াম্না পোপ্যুলর ওইবা ফিল্ম ঙাক্তনি। মহাক BAFTA বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসনসু ফংখ্রে। নোমিনেসন চঙলিবা ফিল্ম অসিমক্তদা মহাক গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসসু ফংখ্রবনি।

Michelle Khan এক্ট্রেস অসি মার্সিএল আর্টস ফিল্মদনা হেন্না চুশিন্নৈ হায়না হায়নৈ। অদুগা মহাক মশানসু য়াম্না পামজৈ। মহাক্কী ফিল্মদা stunt মথৌ তাদে। মশানা অদুম লোইনা তৌজৈ। মহাক্কী "Yes Madam" হায়বা মার্সিএল আর্ট ফিল্ম অসিদগী মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙ থাংবা হৌরকখ্রবনি। অসুম্না জেকি চানগা পুন্না এক্ট তৌমিন্নখিবা Police Story-3 Super Cop হায়বা অসি ওন্থোক্লা মমিং চৎখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। জেমস বোন্দ সেরিজদা Tommorow Never Dies (1997) হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মহাক্কী থবক্তা সেরিয়স অমদি কম্মিটমেন্ট লৈবা অদুদগী মহাক অসি ফিমেল জেমস বোন্দনি হায়না ফাওবা ফিল্ম সার্কলগী মনুংদা হায়নখি। মসিগী ফিল্ম অসি নম্বদা মহাক মশানা stunt অদুম ওইজগে হায়না হায়বদা দিরেক্টর ওইখিবা Roger Spottiswoode না য়াম্না খুদোং থিনিংঙাই ওইবা অদুগী য়েংদুনা য়াখদে। অদুমকপু মহাক্কী ফাইটিং সিনশিংদদি অঙকপা পর্ফোর্মেন্স মহাক্না পীখি। মমিং লৈরবা ওস্কার এৱার্দী ওইরিবা দিরেক্টর Ang Lee গী ফিল্ম Crouching Tiger Hidden Dragon (2000) হায়বা ফিল্ম অদু Mandarin লোনদা নম্বনি। অদুবু মহাক মতমদুদা Mandarin লোন অসি ঙাংবা ঙমখিদে। অদুবু ফিল্ম অদুগীদমক মহাক লোন অদু সূটিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চপ চানা ঙাংবা ঙম্নবা তমখি অদুগী মতুংদা সূটিং তৌখি। ফিল্ম অদুমক্তদা মহাক BAFTA 2000 গী বেষ্ট এক্ট্রেস ইন লিদিং রোলগীদমক নোমিনেসন ফংখিবনি। অদুগা ফিল্ম অদুসু ওস্কার নোমিনেসন চঙদুনা মনা ফংখিবনি। মহাক্কী ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখিবা সাইন্স ফিক্সন Surreal কোমেদি ফিল্ম Everything Everywhere all at once হায়রিবা ফিল্ম অসি মমিং লৈরবা ক্রিটিক্সশিংনা *greatest performance that Michelle Yeoh has ever given* হায়বা ফাওবা হায়রিবনি। ফিল্ম অসিদা মহাক্কী রোল অদুগীদমক ইহান হানবা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা এসিয়াগী এক্ট্রেস অমনা ইহান হান্না ওস্কারগী লানবুংদা চঙবা ঙম্বী অমা ওইবগা লোয়ননা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবনি। মসিদা নত্তনা ফিল্ম অসিগী রোলগীদমক Boston Society of Film না দিসেম্বর ২২দা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনাসু পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। মসিখক্তা নত্তনা Dublin Film Critics Circle না বেষ্ট এক্ট্রেস, Florida Film Critics Circle না বেষ্ট এক্ট্রেস, Greater Western New York Film Critics Association, Las Vegas Film Critics Society, National Board of Review, Nevada Film Critics Society, New York Film Critics Online, North Carolina Film Critics Association, North Texas Film Critics, South Eastern Film Critics Association St.Luis Gateway Film Critics Association, Chicago Film Critics, Critics Association of Florida, Denver Film Critics Society, Austin Film Critics, UK Film Critics Association, Utah Film Critics Association, Women Film Critics Circle অমদি Hollywood Critics Association Midseason Film Awards নসু বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা পীবীখ্রে। তৌবগীদি মসিগী মমাঙদা মহাক্না কুম্বা ফিল্মবুদি ওস্কার নোমিনেসন ফোর বেষ্ট পিকচরদা চঙখিবা লৈখ্রে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মসিদা নত্তনা স্পেসল ওইবা মনা-মথুম কয়া অমসু Michelle না ফংবা ঙমখ্রে।

Michelle Yeoh Dickson Poon কৌবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদা ১৯৮৮দা লুহোংখি। অদুবু ১৯৯২ মখোয় অনী খায়নখি। ১৯৯৮দা অমুক ইনৌ নৌনা Alan Heldman কৌবা অমেরিকান কার্দিওলোজিষ্ট ডোক্তর অমগা এনগেজ তৌনখি। মহাক ৱাইল্ড এনিমেলশিংবুসু য়াম্না লুনা তৌজৈ। সেভ চিনা টাইগর্স হায়বা প্রোজেক্ট অমগী পেত্রোন ওইরি। সাউথ চিনাগী টাইগরশিংবু কন্নবা অকনবা খোঙজং মহাক মশামক য়াওনা চঙশিল্লি। Michelle মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াগী জুরি মেম্বর ওইখ্রে। Michelle না ফিল্ম অমগী হ্যুমেনিটিদা তৌরিবা থবক কয়াশিং অদু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা অমেরিকান ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা ওনরেরি ডোক্টরেট ওফ ফাইন আর্টস হায়বা অসি ২০২২গী ওগষ্ট ১৩দা পীখি। ২০১৩গী নবেম্বর ১৩দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই)দা Michelle Yeoh না চীফ গেষ্ট ওইদুনা শরুক য়ারকখি। ২০২২গী দিসেম্বর ৯দা সান্তা বার্বারা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা Kirk Douglas Award Michelle দা পীখি।

Michelle Yeoh মহাক মশাগী থবক্তা য়াম্না চেকশিঞ্জবা অমদি রোল অমা কুম্বদা য়াম্না সেরিয়স ওইবা মীশক অমনি। মহাক্না রোল অমা ফংবদা রোল অদু করম্না উৎকদগে হায়বা অসি মহাক্কী ওইবা দিজাইন অমদা পুথোক্লবা কন্না হোৎনজৈ। দিরেক্টরনা পাল্লিবা অদুগী খুদুং ইল্লগা মহাক্কী ওইবা ৱাখলদা ফাওরকপা কয়াশিং অদু দিরেক্টরগা পুন্না তান্নরগা মহাক্কী পূক্নিংনা পেন্নবা রোল অদু শানবা হোৎনৈ। মদুদা মহাক মতম মাঙবা পাম্মুদে। অদুনা মহাক্না হায়- "As an actor, you hope to find roles that are challenging to you as an artist. Then if you are truly blessed, you will find that it also carries a message that you can impart to your audience."

## ঙসিগী রাশি ফল

ইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহঅ
সিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমসঅ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬। ০৮। ২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
অয়ুক পুং ৭.১০ ফাওবা থৱানগী ২০নি পাল্লি, মতুং ২১ নি পাল্লনি।

**মেষ:** ইমুং-মনুং ৱাতান্নবা, থিবা হুন্বা কনবা, অশাওবা ফাথবনা শাফগদবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবা মীগী পাউতাক্লা উপায় ওইয়ু।
লৈশা পাখংগী-নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**বৃষ:** লৌশিং তান্নবগী লমদা নত্তনা থবক খুদিংদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। লন চঙগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি, নথক থোংবনা চানবী।
লৈশা পাখংগী-মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** অনিংবা থবক্তা শেল চাওনা থাদবা য়াগনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, অরাপ্পগা মরী ফগনি, হৈথোই শীংথোইবা উৎপা ঙমগনি।
লৈশা পাখংগী-নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** নীংবদুমক ওইথোক্কনি খনগনু। ঙসিসু মরুপ মপাং লোইনবনা চাওখৎপা হেনগনি, মীয়াম লোইনবনা অৱাবা কাওগনি।
লৈশা পাখংগী-নুংশিবনা তেংবাঙবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা

**সিংহ:** খাঙবা কনবা, চিন্দা পাউদানদবা অমদি অশাওবা ফাথবনা শাফগদবা নুমিৎনি। মীগী মতেং ঙাইগনু- অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংগী- থম্মোই চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

**কন্য:** মরুপ মপাংগা মরি ফবা ৱাৎলসু নীংজবদি থুংগনি, লন তানশিনবা ঙমগনি, নচা-ননাইগী লমদসু নুংঙাইজগনি। য়েক্লবা হন্থরনি।
লৈশা পাখংগী-নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**তুলা:** মীৱাবু হেন্না লৌদ্রদি ৱাখল ৱানিংঙাই লৈতে। শকখঙদবদি থাজগনু। থবক্তা ইচং থৌনা পাংবগী নুংঙাইবা লৈ, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংগী-নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** কনাগসু অনম তান্না মুক্লগনু, কন্থি ফুদোক্লগা নথক থোংবনা তাথিবীগনি। হকচাংদি নুংঙাই, থৌনা হন্দবনা হেন্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী-মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

**ধনু:** লৌশিং চাওই, মরুপ মপাং অফবগী মতেং ফংগনি, অনৌবা লৌশিং তানশিনবা ফগনি। নচাক নরল চাওখৎপগী ঙসিসু নুংঙাই।
লৈশা পাখংগী-নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মকর:** নিংবা মপা চাগনি, ইমুং-মনুং ৱাখল তানৈ, পাঙনীংবা থবক মথং মথং পাঙবগী নুংঙাইজৈ। মরুপকা লান্না খন্নবদি লৈরি।
লৈশা পাখংগী: লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** থাংজিনখ্রবা খোঙথাং হন্দবনা মায় পাক্কনি। খুদক্কী ওইবা ৱারেপ লৌবদা অকাইবা লৈরোই। মীয়ামগদি মরী ফবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংগী: পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

**মীন:** লাইবক থোইনা ফবা, পুক্লিংসু মকা লান্বা নুমিৎনি। শীল-লাঙবা হৈগনি, থৌনা হন্দবনা নরল চাওখৎকনি, মতম লিক্লা শীজিন্নৌ।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## 'এসেমব্লী সেসনদা নাগা অমদি কুকিগী এম এল এশিং শরুক য়াবীয়ু'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীফমদা কুকি অমদি নাগাগী এম এল এশিং মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়না আম আদমি পার্টি (এ এ পি) মণিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর বিশ্বনাথ থিংনামনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা মে ৩দগী থা অহুম হেল্লবা ফাওবদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈবা হায়বসি মীয়াম্বু থওইদবনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামসি ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইদ্রবরা। ঙসি অয়ুক য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা মপা-মচা অমদি য়ুমথংনবগী অহল অমা মীনুংশি লৈতনা হাৎতোক্লম্বসি য়াম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

অসিগুম্বা পাঙদবা থৌনা লৈতবা অমগী মওংদা নোংঙাল্লমদাইদা য়ুমদা চঙলক্তুনা মীনুংশি লৈতনা হাৎতোক্লম্বা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। থোক্লিবা থৌদোক অসি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা কন্দেম তৌফম থোকই। কুকি টেররিষ্ট হায়বসি মণিপুরগী গভর্ণরনা ফাওবা ষ্টেটসিগী ঈরাংদা মপানগী ফোর্স য়াওই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। ঙসি অয়ুক থোক্লিবা থৌদোক অসিনা লান অসি লোইশিন্নবা হোৎনরিবরা নৎত্রগা হেন্না মখা চথনবা থৌরাং অমরা হায়নসু হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসি মতম চানা লাকশিলহৌদ্রবদি হেন্না শাথিবা মায়কৈ অমরোমদা চৎখিবা য়াই। কুকিগী লৈখিদ্রবা মীওইশিং ফুমগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা মফম অদুদা তৌবগী মহুৎতা অতোপ্পা মীয়াম্না য়াগদবা মফমদা তৌগদবনি। লোয়ননা হকচাং খরনা চুড়াচান্দপুরদা লৈরোন চল্লগা খরা অমনা অতোপ্পা লমদা লৈরোন চন্নবা হোৎনরিবসিগী মরম খঙদোকপা চুমগনি। অমরোমদা, তোর্বুংদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মীতৈ ইমা-ইবেল কয়া তকথোক্লবা ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওবা শীজিন্নদুনা অৱাবা পীবা অদু য়ানিংদে হায়খি।



HL-B/8225/18/7-16/8



Title : **Angry Bird**
By : Chandam Poireinganbi Chanu
Class : III Roll No : 1
School : Praja Higher Secondary School



Title : **Yaiphare**
By : Henthoisana Heiyam
Class : KG Sec : D Roll No. : 41
School : Chirst Jyoti School



Title : **An early morning**
By : Mansi Thingbaijam
Class : KG Sec : Rose
School : SL Arena of Learning




Title : **Season Fruits**
By : Relinda Wahengbam
Class : II Sec : A Roll No. : 71
School : Nirmalabas School Junior



Title : **Horse**
By : Venika Nongthombam
Class : V Roll No. : 33
School : Shishu Nistha Niketan



Title : **Arkanal**
By : Ahenba Mutum
Class : II Roll No. : 1
School : Sagolband Popular Upper Primary School



Title : **Tortoise**
By : R.K. Thoungamba
Class : III Sec : B
School : Ramakrishna Mission School



Title : **Aeroplane**
By : Luhenba Mutum
Class : KG
School : Sagolband Popular Upper Primary School



Title : **Sheep**
By : Tomthinleima Mutum
Class : III Roll No. : 2
School : Sagolband Popular Upper Primary School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই, অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা থিনবীরকপা য়াগনি।